# সেপ্টেম্বর ১২দগী লা লীগাগী সিজন হৌরগনি

মাদ্রিদ, মে ২৯ (এজেন্সী):
মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা স্পেনদা পাঙথোকপা লা লীগাগী ২০২০-২১ সিজন সেপ্টেম্বর ১২দগী হৌরগনি হায়না লীগ অসিগী প্রসিডেন্ট জেবিয়র টেবাজনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা স্পেন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অয়াবা ফংদুনা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি জুন ১১দগী হৌরগা জুলাই ১৯ ফাওবা হান্না লোইশিলহৌদবা মেচশিং অদু পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

শান্নগদৌরিবা মেচ খুদিংমক ভাবোক য়াওদবা ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবনি। অদুবু অকুপ্পা ফিকচর অদুদি লাউথোকপা লৈত্রি। চহীসিগী মার্চ ১২দগী হান্না ২০১৯-২০গী লা লীগা সিজন শান্নবা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লেপ্পুনা লাকখি। পুন্না রাউন্দ ১১ শান্নগদবা ৱাৎলিবনি। জুলাই ১৯দা লোইশিল্লগা থা অনীগী মতুংদা অনৌবা সিজন অমুক হৌগদৌরিবনি।

ৱাফমশিং অসি ঙসি স্পেনদা ফোঙবা পাউচে অমগা ওনলাইনদা ৱারী শান্নবদা লা লীগাগী প্রসিদেন্ট জেবিয়র টেবাসনা ফোঙদোরকপনি। স্পেনদা ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ লাইনানা মীওই ২,৮৫,৬৪৪ নাহল্লি। অদুগা লায়না অসিদগী শিখ্রবা মী মশিংনা ২৭,১২১নি। ফুটবোল ক্লবশিং শান্নবা লেপখিবদগী য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১.১১ রোম মাংবগী ফিভমদা লৈরি।

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# দেগু এফ সী অমসুং সেংজু সেংমু পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে, জোনবুক এফ সীনা মাংজিল থারি



সিওল, মে ২৯ (এজেন্সী):
এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোরিয়া লীগ ১গী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা দেগু এফ সী অমসুং সেংজু সেংমু পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। পোইন্ট ৯ ফংলগা জেনবুক এফ সীনা মাংজিল থারি।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা দেগু এফ সী মেচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ২ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি। অমরোমদা সেংজু সেংমুনা মেচ ৩দা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৪শুবদা লৈরম্বনি।

দি জি বি দেগু বেঙ্ক পার্কতা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫দা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা য়ুম্বু ক্লব ওইখিবা দেগু এফ সীগী মায়কৈদগী চেসিনহানা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

সেংজু সেংঙুগী মায়কৈদগী ইকেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবা অদু ৬২ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় এস সোংনা ফংবা ঙমখি। মখা তাবা পুংখাই অমরোমগী মতম পাঞ্জল চন্নদনা পোইন্ট য়েন্নখি। সেংজু সেংঙু পোইন্ট ৭ ফংলগা ৩শুবদা হায়গৎখি। জোনবুক এফ সীনা মেচ ৩দা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা মাংজিল থারি। ঙসি দ্রো চৎখিবা দেগু এফ সী হান্না পোইন্ট ২ ফংলম্বদগী ৩ ফংদুনা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরি।

হয়েং লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা রাউন্দদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা জোনবুক এফ সীনা রাউন্দ ৩ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৪ ফংদুনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা গাংওন এফ সীগা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা মেচ অমদা পোইন্ট ৭ ফংলগা ২শুবা পোজিসনদা লৈরিবা উলসান হুন্দাইনা পোইন্ট অমা ফাওবা ফংদ্রিবা গ্বাংজু এফ সীগা লম্বা তৌনগনি। লোয়ননা সুওন ব্লুৱিংস অমসুং বুসান আইপাক শান্নগনি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Jeonbuk FC | 3 | 3 | 0 | 0 | 5 | 1 | +4 | 9 |
| 2 | Ulsan Hyundai | 3 | 2 | 1 | 0 | 8 | 3 | +5 | 7 |
| 3 | Sangju Sangmu | 4 | 2 | 1 | 1 | 4 | 5 | −1 | 7 |
| 4 | FC Seoul | 3 | 2 | 0 | 1 | 4 | 4 | 0 | 6 |
| 5 | Seongnam FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 3 | 1 | +2 | 5 |
| 6 | Pohang Steelers | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 3 | +1 | 4 |
| 7 | Gangwon FC | 3 | 1 | 1 | 1 | 4 | 4 | 0 | 4 |
| 8 | Suwon Bluewings | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 4 | −1 | 3 |
| 9 | Daegu FC | 4 | 0 | 3 | 1 | 2 | 4 | −2 | 3 |
| 10 | Incheon United | 3 | 0 | 2 | 1 | 0 | 1 | −1 | 2 |
| 11 | Busan IPark | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 5 | −3 | 1 |
| 12 | Gwangju FC | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 4 | −4 | 0 |

# ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী জন্যুৱারী ১৮দগী হৌরগনি

ওকলেন্দ, মে ২৯ (এজেন্সী):
ন্যু জিলেন্দগী সিটি ওকলেন্দদা চহীসিগী সেপ্টম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ অদু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মথং চহী জন্যুৱারী ১৮দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী কনফার্মেসন পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মাংওইননা ৱর্ল্ড জুনিয়র মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপসু মথং চহীগী জন্যুৱারী ১১দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী সেক্রেটরী থোমাস লুননা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড জুনিয়র মেন্স রেঙ্কিংদা মণিপুর মচা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ২শুবা পোজিসনদা লৈরি। নম্বর ১ পোজিসন অদুনা ফ্রান্সকী খৃষ্টো পোপোপনা ওইরি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় বরুন কাপুরনা ৪শুবদা অদুগা রোহন গুরবানিনা ২০শুবা পোজিসনদা লৈরি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা মকোক থোংবা শান্নরোয় ২৫গী মনুংদা ইনিদয়াগী শান্নরোয় ৬ য়াওরি। সামিয়া ইমাদ ফরুকিনা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরি। টাসনিম মিরনা ১০শুবদা, জকা বৈস্নবি রেদিনা ১২শুবা পোজিসনদা, ত্রিসা জোলিনা ১৩শুবদা, ১৬শুবদা অদিতি ভাট অদুগা ২২শুবা পোজিসনদা টানিয়া হেমন্ত লৈরি। নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড নম্বর ১ অদুনা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংনা ওইরি। অনীশুবা পোজিসনদনা থাইলেন্দগী বেনয়াপা এমসার্দনা ওইরি। জপানগী রিকো গুনজিনা ৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী নৌনা শেমদোরকখিবা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিং অদু জন্যুৱারী ১১দগী হৌগদৌরিবনি। অনৌবা মতম অসিনা জুনিয়র শান্নরোয়শিংদা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্তংগী ওকলেন্দ সিটিদা য়ৌরকপদা খুদোংচাবা ওইগদৌরি।

পনবা য়াই, হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মীওই লাখ ৩.৫ হেন্না শিহনখ্রবনি। লোকদাউননা মরম ওইদুনা লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা চখোক চৎশিনগী থবক্তা অথিংবা লৈরি। শান্নবগী হিরম খুদিংমকসু মতম য়েথোক্তুনা লাকখি। জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা টোকিওদা চহীসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পক গেমস চহী অমা য়েথোক্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

বেদমিন্টন ন্যু জিলেন্দগী চীফ একজিক্যুটিভ জো হিটসকোকনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসি মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা শান্নরোয় অমদি সপোর্টরশিংদা অফবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন পুৱারীদা লন্দন ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱালনা কুমজা ২০০৮দা পুনেদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা টাইটল লৌবা ঙম্বা অদুনা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরি। নুপাগী কাংলুপ্তা সিরিল বর্ম্মনা কুমজা ২০১৫দা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। বি সাই প্রনিথ অমসুং ঐচ এস প্রনোয়না কুমজা ২০১০দা ব্রোঞ্জ ফংখি। খ্বাইদগী নৌনা কুমজা ২০১৮দা কানাদানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী লক্ষ্যা সেননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

# ঈ সী বিনা শান্নরোয় ৫৫ ট্রেনিংগীদমক কৌখৎখ্রে

লন্দন, মে ২৯ (এজেন্সী):
ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দ (ঈ সী বি)না লৈবাক অদুগী ইংলিস সম্মর সিজন ক্রিকেট হৌননবা শেম শারকপা ওইনা ক্রিকেটর ৫৫ ট্রেনিং তৌননবা কৌখ্রে।

লৈবাক অদুদা চহীসিগী মার্চ থাদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ক্রিকেট মশান্না শান্নবা লেপখিবনি। বোর্দ অসিগী মায়কৈদগী চহীসিগী জুলাই ১ ফাওবা প্রোফেস্নেল গেমশিং অথিংবা থমখিবনি। জুন থাদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা টেষ্ট মেচ ৩গী সেরিজ অদুসু লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মতম য়েথোকখ্রবনি।

ঈ সী বিগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ক্রিকেট শান্নরোয়শিং অসি গ্রুপ ট্রেনিং সেসনদি পাঙথোকখিরোই। সোসল সিষ্টেন্সিংগী প্রোটুকোল ঙাক্লা ট্রেনিং পাঙথোক্কদৌরিবনি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিভিজুএল স্কিল বেজ ট্রেনিং পাঙথোকপা ক্রিকেটর্সশিংনা হৌখ্রবনি।

ঈ সী বিগী পর্ফোমেন্স দিরেক্টর ওইরিবা মু বোবাটনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয় ৫৫ অদুদা ট্রেনিং পীদুনা সেলেক্টরশিংনা খনগৎপদা থবক কোমথোকপগী তাঞ্জা অমা ফংলগনি। মসিনা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট শান্নবা য়ারকপা মতমদা ইংলেন্দগী টিম শেম্বদা অৱাবা ওইরোইদৌরি।

মহাক্না মখা তারদুনা লৈঙাক্কী অমদি মেদিকেল টিমগী মায়কৈদগী পীরকপা এদভাইজরিশিং অদুগী কাংলোন চুম্না ইন্দুনা শান্নরোয়শিংদা নত্তনা কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংদসু লায়না-লাইচৎ অসিগী চৈথেং ফংদনবা হোৎনগদৌরি। বৃটিস লৈঙাক্না শান্নফমশিংদা ভাবোক য়াওদনা শান্নবা য়াবগী অয়াবা মথং থাদগী হৌননবা ৱারেপ পীখ্রবনি। ওগষ্ট থাদা পাকিস্তানগী টিম ইংলেন্দদা লাক্তুনা টেষ্ট মেচ ৩ অমদি টি-২০ মেচ ৩ শান্নগদৌরি। লোয়ননা ইংলেন্দনা আইয়রলেন্দগী ক্রিকেট টিমগসু ৱান দে মেচ ৩ শান্নগনি। অদুবু হায়রিবা মেচশিং অদুগী শেমদোল্লকবা সেদ্যুল অদুদি লাউথোক্ত্রি। ইংলেন্দদা ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ নারবা মীশিং ২,৬৯,১২৭ অদুগা লায়না অসিদগী শিখ্রবা মশিংনা ৩৭,৮৩৭নি।

# টর্কিগী কোনুং ইষ্টানবুলনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচকী য়ুম্বু ওইগদৌরি





ইষ্টানবুল, মে ২৯ (এজেন্সী):
য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল মেচ অদু চহীসিগী মার্চ ২৩দা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়েথোরকখিবনি। অদুগা চহীসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকপা য়াননবা আশা তৌরি।

চেম্পিয়ন্স লীগকী ওইনা হৌজিক ফাওবদা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল লোইশিনবা ঙমদ্রি। ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা অহানবা টিম ৪ অদুদি ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেননি। টিম অসিনা জর্মনিগী বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু মায়থীবা পীরমখি। ইটালিগী অটলান্টা ফুটবোল ক্লবনা স্পেনগী ভেলেন্সিয়াবু প্রিক্বাটরদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। জর্মনিগী রাসেনবোলস্পোর্টস লেপজিক্না ইংলেন্দগী টোটেনহামহোটস্পরবু থোইরমখি। অদুগা স্পেনগী অতোপ্পা ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদনা অতোপ্পা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলবু মায়থীবা পীরমখি।

লেমহৌবা টিম মরি অদু কনানা ওইগদগে খঙদ্রি। স্পেনগী রিয়েল মাদ্রিদনা ইংলেন্দগী মেনচেষ্টর সিটিগা অহানবা লেগ শান্নবদা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীদুনা লৈরি। জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা ইংলেন্দগী চেলসি ফুটবোল ক্লবপু অহানবা লেগতা পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা লৈরি। ফ্রান্সকী লিওন ফুটবোল ক্লবনা ইটালিগী জুবেন্টসপু অহানবা লেগতা ১-০দা থোইদুনা মাংজিল থারি। অদুগা স্পেনগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লব অমসুং ইটালিগী নাপোলি অহানবা লেগতা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎলি।

টর্কিস ফুটবোল ফেদরেসননা চেম্পিয়ন্স লীগকী লেমহৌরিবা মেচশিং অদু মতম চানা লোইরবা মতুং লৈবাক অদুগী কোনুং ইষ্টানবুলদা লৈবা অটাটুর্ক ষ্টদিয়মদা ফাইনেল মেচ অদু য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০০৫দা ইষ্টানবুলদা চেম্পিয়ন্স লীগকী ফাইনেল মেচ মায় পাক্লা য়ুম্বু ওইখি। হায়রিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলনা ইটালিগী এ সী মিলানবু পেনাল্টি সুটআউটতা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

হৌজিক্কী ওইনা চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বাটর ফাইনেল ষ্টেজ লাম্হোক্ত্রিবা মরম্না ওগষ্ট থাদা য়ুরোপিয়ন ফুটবোলনা লেপখিবা মতম অদু চাদা ১০০ পাঙথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ৱাংলি। টর্কিষ্ট ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগীদি টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ পাঙথোক্লনবা চপ চানা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না সেমী ফাইনেল ষ্টেজ ফাওবা ক্বালিফাই ওইরবা ক্লবশিং অদুনা দবল লেগ শান্নবগী চৎনবী লৈ। অদুগা ফাইনেলদি মেচ অমখক ওইগনি।

পনবা য়াই, টর্কিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীওই ১,৬০,০০০ রোম নারি। অদুগা মীওই ৪,৫০০না লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিখ্রে। লৈবাক অদুনদি লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ওইনা ফাইনেল শান্নগদৌরিবা অটাটুর্ক ওলিম্পিক ষ্টেদিয়ম খক্তা নত্তনা মমিং লৈরবা ক্লব গলাটাসরে, ফেনর্বাগ অমসুং বেসিকটাস ফুটবোল ক্লবশিংগী হোম গ্রাউন্দদা মেচশিং শান্নবসু অদুমক য়াগদৌরি। টর্কিস লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টসু জুন ১২দগী মখা তানা অমুক শান্নরগনি হায়না টর্কিস ফুটবোল ফেদরেসননা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# রোনালদোদগী ফেদররনা মালেমগী খ্বাইদগী পৈশা তানবা শান্নরোয় ওইরে

ন্যু দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সী):
মালেমগী মমিং লৈরবা ফোর্বস মেগাজিননা ঙসি থোকখিবা লিষ্ট অমদা কুমজা ২০২০গী ওইনা খ্বাইদগী শেল তানবা শান্নরোয় অদু খৃষ্টিয়ানো রোনালদোদগী হেন্দুনা টেন্নিস শান্নরোয় রোজর ফেদররনা মকোক্তা লৈখ্রে।

গ্রান্দ স্লাম সিঙ্গলস টাইটল ২০ ফংবা ঙমখ্রবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররনা হৌখিবা থা ১২ অসিদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০৬.৩ তান্দুনা খ্বাইদগী পৈশা তানবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইরে হায়না লিষ্ট অদুদা ফোঙদোরকপনি।

এন্দোর্সমেন্টদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ থারগা রোজর ফেদররনা পুন্না য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০৬.৩ তানবা ঙমখিবনি। মহাক্না টেন্নিস মশান্না অসিগী অহানবা ওইনা শেল খ্বাইদগী তানবা শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা নম্বর ১দা লৈরি।

অনীশুবা পোজিসনদা পোর্টুগালগী ফুটবোল শান্নরোয় খৃষ্টিয়ানো রোনালদোনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০৫ তানখি। অতোপ্পা ফুটবোল শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০৪ লোয়ননা নেমারনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৯৫.৫ তাল্লগা মরিশুবদা লৈরি। অদুগা য়ু এসকী বাস্কেটবোল প্লেয়র লিব্রোন জেমসনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৮৮.২ তান্দুনা ৫শুবদা লৈরি।

# আই এস এস এফকী অনৌবা ক্বালিফিকেসন সিষ্টেমনা ইন্দিয়াদা কান্নহল্লে

ন্যু দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সী):
ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিনা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা আই এস এস এফ (ইন্টর্নেসনল শুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন)গী অনৌবা ক্বালিফিকেসন সিষ্টেম অয়াবা পীখিবদগী ইন্দিয়াদা কান্নবা ফংলে।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ইন্দিয়াগী শুট্টর ১৫গী কোটা লৈরিবা অদুদগী অমা হাপচিনবা য়ারগনি। চহীসিগী মার্চ ৩১ ফাওবদা লৈখিবা শুট্টিংগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী লিষ্ট মতুং ইন্না ইন্দিভিজ্যুল ইভেন্ট খুদিমংক (১২)গী কোটা লৈরিবনি। শুট্টর অমনা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপশিংদা পোইন্ট ফংখিবা অদুসু রেঙ্কিং লিষ্ট পীবদা য়াওরিবনি।

অনৌবা দেটলাইন অসি চহীসিগী জুন ৬ ফাওবগী মনুংদা ওইগদৌরি। লৈবাক অমগী শুট্টর ১২ ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী কোটা লৈরিবনি। হায়রিবসি ৱর্ল্ড রেঙ্গিং সিষ্টেমদা বেজ তৌবনি। মিক্স টিম য়াওরগা কোটা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা অমগা হেনগৎপা য়াবগী খুদোংচাবা পীরি।

# ফুটবোল দিল্লিনা টিম ৮না শরুক য়াগদবা কেপিটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লনবা শেম শাখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সী):
ফুটবোল দিল্লিনা মমাঙদা মফম অদুদা মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্তুনা মশান্না অদুবু য়াম্না ফজনা পাম্নরম্বা অদু অমুক হঞ্জিলক্লবগীদমক আই এস এল নত্রগা আই লীগতগী টিম ৪গা লোকেল ক্লব ৪গা পুন্না টিম ৮না শরুক য়াগদবা কেপিটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লনবা ঙরাং একজিক্যুটিভ কম্মিতিগী মীফম অমনা ৱারেপ লৌখ্রে।

ফুটবোল দিল্লিগী প্রসিদেন্ট সাজি প্রভাকিরননা ফোঙদোরকপদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা কেপিটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি মফম অদুদা পাঙথোকপা য়াননবা হান্না লৈরিবা ফেদরেসনগী সেদ্যুল মনুংদা মতম লেপ্পিনবা হায়জগদৌরি।

কেপিটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্মেট শেমদোক্তুনা য়ামদ্রবদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ নত্রগা আই লীগতা শান্নবা ক্লব মরি ইনভাইট তৌগনি। অদুগা দিল্লিগী লোকেল ক্লব ৪গা পুন্না টিম ৮না লীগ কপ নোকআউট বেসিসতা কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি। মফম অদুদা লৈবা ক্লবশিংবু হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াহনগদৌরিবনি।

ফুটবোল দিল্লিনা কেপিটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপদা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকা লোয়ননা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া য়াওনা দিল্লি লৈঙাক্লা চহী খুদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোকপা য়াবা টুর্নামেন্ট অমা ওইহন্নবা হোৎনগদৌরি।

মগুন লৈবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোকপদা অফবা শান্নরোয় কয়া অমা থোরকপা য়াবগী তাঞ্জা পীরি। দিল্লি সিটি অসি ফুটবোল সিটি অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা কেপিটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নরোয় অমদি মশান্না অসিবু পামজবা ভাবোকশিংগী মরক্তা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী খোঙথাংসু লৌগদৌরি।

দিল্লিদা লৈবা ডা. অম্বেদকর ষ্টেদিয়ম অসিদা মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোকপা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা ষ্টেদিয়ম অসিগী মিংচৎ হেন্না পুখৎনবা অমদি মফম অদুবু ফুটবোলগী ওইবা ইনভাইরমেন্ট অমা শাগৎপদা কেপিটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টনা মতেং পীগদৌরি।

# স্পোর্টিং পাৱর হাউস অমা ওইনবা হোৎনবদা মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈ ঃ স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু

ন্যু দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা স্পোর্টিং পাৱর হাউস অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ইন্সটিট্যুট ওফ কম্পেনি সেক্রেটরীসনা শীনবা ওনলাইন দিসকসন ওইখিবা 'ফিটনেস, এ ৱে ওফ লাইফ'দা ৱা ঙাংবদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা স্কুল লাখ ১.৬ ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী মখাদা রেজিষ্টার তৌখি। হকচাং ফিট ওইনা লৈনবা হোৎনবদা স্কুলগী থাক্তগী হৌরকফম থোকপনি হায়খি।

দিসকসন অদুদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা লন্দন ওলিম্পিক গেমস ২০১২দা শুট্টিংগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা গগন নারংসু শরুক য়াখি। দিসকসন অদুদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক্না লৈবাক অসি



স্পোর্টিং পাৱর হাউস অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা পীরিবা চৈথেং অসি লাকশিন্ননবা হোৎনবদা লোকদাউন থম্বা অসিনা শান্নবগী লমদসু চাওনা অপনবা পীরি। অদুবু শান্নরোয় খক্তা নত্তনা মীয়াম্নসু মশা মশানা মশা ফিট ওইননবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়খি।

অঙাংশিং শান্নহনবা, যোগা তৌহনবা, ইন্দিজিনস স্পোর্টসতা থৱায় য়াওহনবা লোয়ননা ওলিম্পিক্সকীদমক শেম শাহনবদা মীয়ামগী মায়কৈদগী অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই। ইন্দিয়াগী ওইবা ইন্দিজিনস স্পোর্টস দিসিপ্লিন কয়া লৈরি। ওলিম্পিক্স অমদি এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াদ্রবসু মথং চহীদা কম্পিটিসন পাঙথোকপা য়াবা মওংদা ইন্দিজিনস গেমস অসি পুখৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা দিসকসন অদু স্পোর্টস কমেন্টেটর মনিস বট্টাভিয়ানা মোদরেটর ওইখি। মশাগী চহী ১৪ শুরকপদগী শুট্টিং দিসিপ্লিনদা শরুক য়ারকখ্রবা গগন নারংনা ফোঙদোকখিবদা ফিজিকেল ফিটনেস অমসুং মেন্টেল ফিটনেস পুন্না চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা অদু পনখি। মহাক্না চহী নৌরিঙৈদা ক্রিকেট, টেন্নিস অমসুং ফুটবোল মশান্নদা শান্নরম্লবসু মেন্টেল এবিলিটিগী অচৌবা শরুক অমা য়াওবা শুট্টিং দিসিপ্লিনদা মায় ওনশিনখিবনি হায়রি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খেলো ইন্দিয়া মুভমেন্ট হৌদোরকপা অসিনসু লৈবাক অসিদা শান্নবগী লমদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙল্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com